# খোরিফাবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, নম্বোলগী অনৌবা প্লে ‘কাইকুপ-ফি’

- নানি

জুলাইগী ১৪, ২০১৯ নোংমাইজিং নুমিত্তা খোরিফাবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, নম্বোলনা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি, ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং অমদি শেন্থংগী মখাদা পুথোকপা কাইকুপ-ফি হায়বা অনৌবা প্লে অমা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়মদা মীয়ামদা উৎখ্রে। প্লে অসি ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা অইবা মুনিশ প্রেমচান্দগী শোর্ট ষ্টোরি কফন হায়বা অদুদগী রনবির খোইস্নামনা দ্রামাটাইজেসন, দিজাইন অমদি দিরেক্সন পীবনি। প্লে অসিদা শরুক য়াখিবা আর্টিষ্টশিংদি - ঐচ রোবিন্দ্রো (মাধব), হিদংময়ূম দরাবারি শর্ম্মা (ঘীসু), য়ূম্নাম সঞ্জোলি (বুধিয়া), এম মোহিন্দ্রো (লৌয়াম চাবা) লোয়ননা এস বিজেতা, সী ঐচ অনুপমা, কে ঐচ রধারানি, ঐচ দেবিতা (মোধুবলা), টি ইনাওবা, টি তোম্বা, এম অজিৎ, টি ঐচ সুশিলনি। বিসে মোইরাংথেমনা ম্যুজিক দিরেক্সন পীরিবা প্লে অসিগী লাইট দিজাইনরনা এল ইবোচৌবনি। খোরিফাবগী প্লে অসি য়েংবা য়াবা প্লে অমনি হায়না অহানবদা থমনীংই। তৌবতবু প্লে অসিগী ওরিজিনেল রাইটর ওইরিবা মুনশি প্রেমচান্দ হায়বসি মুন্না খঙবা অমা মথৌ তারি। প্লেগী দিজাইন তৌবদা প্রেমচান্দ য়াওরিব্রা য়াওদব্রা হায়বসিসু য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা মথেল অমনি হায়না লৌই।

মুনশি প্রেমচান্দনা ইবা হৌরকপসি ইন্দিয়া হায়বা অপূনবা লৈঙাক অসি লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা বৃটিশনা খুদুম চনশিল্লবা, বৃটিশ রুলরশিংগী মীৎয়েং মখাদা মীয়ামগী মরক্তা ক্লাস সিষ্টেম খাইদোক্তুনা অরৈবী থাদুনা পুন্সিগী রাইট মাঙশিল্লক্লবা মতম অদুদনি। মতমসিদা থোরকখিবা খুন্নাই মীয়াম্বু মীৎ লাউথোক্তুনা য়েংলিবা প্রেমচান্দগী থম্মোয়দা লৈখাই তাদবা পেন দবগী অমদি নীংতম্বগী চোইরোল ময়াম অমা থোরকখিবনি। অদুনা মহাক্কী সাহিত্যগী খুদোল



(নোভেল, শোর্ট ষ্টোরি, পোইত্রি, দ্রামা) কয়া লেপ্তুনা তৌরকই। মদুনা তূমদুনা লৈরিবা মীয়ামগী পূক্লিংদা ঈশিং খিকপগুম মমিৎ শিংহল্লকখিবনি। কনাগুম্বা মুনশি প্রেমচান্দবু নৈনবশিংনা হায় - মহাক অসি অচম্বা রাইটর নত্তে। রেভল্যুস্নরি রাইটর অমনি হায়নফাওবা শিংথাবা য়াওই। মহাক্কী সাহিত্যগী খুদোলশিংদা রিএলিজমদা য়ূম্ফম ওই। লায়রবা পনখৈগী ৱাংমা লাল্লবা অমদি অর্বান এরিয়াগী ময়ায় ওইবা ক্লাসতা লৈবা মীওইশিংগী পুন্সিদা পাদম লাক্লগা অসিগুম্বা মখলগী মীওইশিংগী খম থেংনা নমথরিবা মশক অদু উৎপনি। মহাক্কী লিটরেচরগী মরূ ওইবা খূৎপাই



অমা ওইনা শীজিন্নরিবসি মতমদুগী করপসন, ফ্যুদেল সিষ্টেম, শেঞ্জাও পায়বা লৌয়াম চাবশিংগী সিষ্টেম লোয়ননা মরাইবক থীরবী নুপী কয়াগী পুন্সিগী শেংলবা মশক অদু য়েংকপা অমদি কোলোনিএলিজমগী খম থেংলবা চৈথেং কয়া অদু মহাক্কী লিটরেচরদা মমি তাহনবা হায়বসিনি। মসিদনি মহাকপু থোইদোক্লা মমিং চৎলিবা।

অইবা অসিগী মরমদা নৈনবদি লোইবা নাইরোই। অদুবু মহাক্কী কুমজা ১৯৩৬তা থোরকখিবা **কফন** হায়বা শোর্ট ষ্টোরি অসিনা পীনীংলিবা পাউজেল অমদি মীয়ামদা থমনীংলিবা নুংগী ওইবা ৱাফমশিং অদু হন্দক নৌনা খোরিফাবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন্না **কাইকুপ-ফি** হায়না মীংথোন্দুনা পুথোরকখিবা প্লে অসিদা কয়া য়াম্না খূৎ চঙনা অমদি মনুং থিৎনা উৎথোক্লবগে হায়বা অসিনি। দিরেক্টর রনবির খোইস্নামগী এটেম্প অসিমদি তশেংনা ফজবা অমদি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওই। লীলাসি লমদম অসিগী খুঙ্গং অমদা থোকপা থৌদোক অমগুম উহন্নবা হোৎনরিবা অসিমদি ফজে। অদুবু লীরিবা ৱারী অদুনা লমদম অসিগী চৎনরোলদগী খরা লাপথোক্লা উবা অসিনা ইনপ নপশিন্নৌ হায়বদি য়াদে। অদুবু আর্টস হায়বসিদি মপান নাইবা নত্তে। ওইথোকপা য়াদবসু লৈতে। আর্টসকী এষ্ঠেটিক অদুনা কোনশিনবা ঙমদবা করিসু লৈতে হয়বদু প্লে অসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। প্লে অসিনা বৃটিশ লোইলমগী মখাদা লৈরম্বা জমিন্দার সিষ্টেম অদুগী মনুং চন্না লায়রবা থবক শূরগা হিংজবা মপা মচা (ঘীসু অমদি মাধব) অনীগী পুন্সিগী শরুক খরা উৎনবা হোৎনবনি। শূনা-শূনা চাবা ফংলক্তবা, নোং ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা ঙাইহাক পোত্থাবা লৈতনা শূরবসু পিকখ্রবা চাকখাও অদুবুদি থলহনবা ঙমখিদে। মাধব বুধিয়া কৌবী নুপীমচা অমগা য়ূম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নরকই। মতমগী মতুং ইন্না বুধিয়া মীরোল্লক্তুনা অঙাং উনবগী মতম ওইরকখি। ওন্ন-থোইনা নাওয়েক খাঙখি, অদুবু মাইবা-মাইবী কৌনবা শেল লৈতবনা মশা মথন্তা থাদোক্তুনা থমখি। মমৈদা বুধিয়া তাইবঙ থাদোকখি। মহাক্কী অশিবা মশা অদুদা কূপ্পবা ফি অমা ফাওবা ইমুংদুদা লৈখিদে। অদুনা মথৌ মঙম পাঙথোকপা ঙমখিদে। লৈকায়গী নুংশিবা মীয়াম্না অমদি লৌয়াম চাবনা শেল খরা পীদুনা ফি লৈবা কৈথেলদা লাকখি। অদুবু শেল

অদুনা মবুক লান্নবা মপা মচানা হোটেল অমা লান্না লাকপদা অয়াওবা শেল অদুগী মতিক য়ু থক্তোক্তুনা চাথোকখিবা অসিনা লীলা অসিগী ৱারীগী লিকলুনি।

ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মখূৎতগী মনীং মখা তমদুনা দেমোক্রেসি চৎপা মশাগী লৈঙাক লৈজরবসু অসিগুম্বা মীনা মীবু ওৎ নৈবা অমদি লায়রবশিংগী পুন্সিগী ফীভমদি হৌজিক ফাওবা করিসু থোইদোক্লা কা হেন্না অওনবা অমত্তা পুরকপা ঙমদ্রি। মসিগী মরুওইবা মরমদি দেমোক্রেসিগী মখাদা মীহুৎ ওইনা লৈরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী মথোং হুক্তবা পূক্লিংবু ৱারকপা ঙমদবা অসিনা কা হেনবা তৌফম থোক্তবা কয়া তৌরকপা অসিনা লায়রবশিং অমদি মপান্থোঙগী অপাম্বা কয়াগী লাং থাক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সিবুসু পূক্লিংগী অমদি হকচাংগী পোত্থা-লানফা ওইহল্লি হায়বদু প্লে অসিনা নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। লীলাসিগী অহৌবা অমদি অরোইবদা হৌজিক্কী লৈরিবা সিষ্টেম অসিগী মমি অমা লাকশিল্লগা মুনশি প্রেমচান্দগী ওরিজিনেল টেক্স অসি পুশিল্লক্লবা দিরেক্টরনা পামজবা দিজাইন অমদা প্লে অসি দ্রামাটাইজেসন তৌরগা পুথোরকপনি। লৌবুক্কী লৌরিংবীগী তাইবঙ অমা অমদি নহা ওইরিবা মাধব অমদি বুধিয়াগী নুংশি নুংওনগী মমি অদু লমদমসিগী কলচরগী তোৎশিন্নদুনা পুথোক্লম্লগা শাবী-শানৌ অনীগী য়ক লাউবা নুংশিবগী খম থেংবা এক্সন অদু উৎনবা হোৎনরিবা ক্লাসিকেল, ত্রেদিসনেল অমদি মতমসিগী ওইবা দান্সিং মুভমেন্ট কয়াগী ফজবা অদুনা অয়েংবশিংদা তন্থহন্দবা অপেনবা পোকহল্লি। খরা তেনশিল্লসু য়াবা মরু ওইনা লৌ লীংবা, নাওয়েকপা, মপা মচানা অরাম্বা খাঙবা, ৱাতানবা কয়াগী মতাংশিংদু মচং ওইবা খরদং মনখৎলগা মপূং ওইনা শেম্ললবসু লীলাসিগী মীহুন অদুম নিংথিনা কন্না লৈগনি খল্লি। মপূং ওইবা এক্টর অহুম ঘীসু, মাধব অমদি বুধিয়া শারিবশিং ইনর্জি য়োক্তুনা এক্টিং তৌই। থাগৎলি। মখোয়গী মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স অদুনা লীলাসিগী মীৎয়েংফম ওইহল্লি। মুনশি প্রেমচান্দনা পামজবা সোসল রিএলিজম অদু ফংনবা হোৎনবদা মতেং চাউনা পাংলিবশিংগী মনুংদা লীলাসিগী ম্যুজিকসিসু অমা ওই হায়না থমনীংই। খূৎ মান্নবা ময়াম অসিনা লীলা



অসি তুংদসু হেন্না মায় পাক্লকখিগদবা অমা ওইরে হায়না থমজগে।

## থাজবরা, থাজদবরা? অঙকপনা থল্লবা মালেম

- ইংলেন্দগী বক্কিংহেম পেলেসতা তোঙান-তোঙানবা কা ৬০০ হেন্না লৈ।
- চহী ২০০০ গী মমাঙদা শাখিবা তারবসু চাইনাগী গ্রেটৱাল অসি ঙসিসু মালেমদা খ্বাইদগী ঙকপশিংগী মনুং চল্লি।
- জেপ্পনীজ পুন্নমক্লা মরৈবাকপু “নিহোন কোকু”, “নিপোন কোকু”, “নিহোন”, নৎত্রগা “নিপোন” হায়না খঙনৈ। মসিগী ৱাহন্থোক্তি “নুমীৎ থোরকফম লমদম” হায়বনি।
- মালেমদা মী খ্বাইদগী য়াম্নাথবক পীরিবা এমপ্লোয়রদি ইন্দিয়ন রেলৱেজনি। হৌজিক হৌজিক মীওই লাক্ষ ১০ রোম হেন্না ইন্দিয়ন রেলৱেদা থবক তৌরি।
- ইজিপ্টতা চহী ৩০০০ হেল্লবা মম্মিশিংদা হৌজিকসু খুৎশা-মমি (ফিঙ্গরপ্রিন্ট) ময়েক শেংনা য়াওরি।
- জপানদা মী শিবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা নৎত্রগনা লুহোং-কৈহোংবগী থৌরমদা চেপাউ পীবা চৎনদে। লৈকাই হুপ্পা থৌরমশিং অদু য়াওই। নুপীশিংনা থোং-থাক্লগা ময়াম পুল্লপ চামিন-থকমিন্নে।
- ইন্দিয়াগী তিরুপতি লাইশঙদা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংনা শম্না খরা খরা লাইদা কৎলম্মী। শম কক্লবগীদমক লাইশঙ অদুদা শম ককপা মীওই ৬০০ লোম তোলোপ পীরগা থম্মী। লাইশঙদা মীয়াম্না কৎলম্বা শম্নাশিং অদু খুৎশেমগী শম শাবা অমসুং হার শেম্বদা শীজিন্নে।
- থায়না মমাঙঙৈদা ঈজিপ্টকী লাইনিং লাইশোল (লাইশঙ পান্নবা) তৌবা মীওইশিংনা হকচাংগী মফম অমত্তদা শম হৌহন্দে। মখোয়গী পীশুম অমদি মীৎকী পা ফাওবা লোইনা ফোয়দৎলি।
- থায়না মমাংঙৈদা মেক্সিকোগী মীওইশিংনা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিংবু মকোক্তা ফি-না চেৎনা য়েৎশিল্লগা মকোক শাংদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলম্মী।
- এক্সিদেন্টতা কনাগুম্বা অমগী মমীৎ চোংথোরক্লগা থরাক থরাক য়ান দুনা লৈরবদি খুদক্তা খুৎনা পায়রগা হান্নগী মফমদা অমুক হাপচিনি-খবদা থোইদোকপা অকায়বা অমত্তা লৈতে। অদুম ওইনমক খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মরম্না থৌওং অসি কনামত্তনা চাংয়েং খক তৌরোইদবনি।
- কনাগুম্বনা অয়ুক্তা কোফি থক্লবদি মীৎ শিংই, তুমনিংবা ফাওহন্দে হায়না থাজনৈ। তশেংবদি কোফিদগী শেমনা মীৎ শিংহনবা হেল্লি।
- টিবেটতা মীয়াম্না খ্বাইদগী তোয়না অমদি পাম্না থক্লরিবসি বট্টর-টিনি। মসি য়াক বট্টর, থুম অমসুং চা মনানা লোনবনি।
- ফেলদ রোম্পেলবর্গ কৌবা মীওই অমনা মালেমদা খ্বাইদগী য়াঙনা সাইকল থৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ পায়রি। মীওই অসিনা পুংদা মাইল ১৬৬-৯৪ য়াঙনা সাইকল থৌবা ঙমখি।
- মালেমদা সেকেন্দ খুদিংগী অঙাং অহুম-অহুম পোকই অমসুং মীওই ১.৩৩ শি। মতৌ অসুম্না সেকেন্দ খুদিংগী মালেমদা অনৌবা মী মশীং ২.৬৭ হেনগৎলি। নহাক্লা ৱাহৈ পরেং অসি পাবা লোইদ্রিঙৈদা অনৌবা মী মশীং ১০ হেনগৎখ্রবনি।
- হৌজিক হৌজিক হিংদুনা লৈরিবা মালেমগী অপুনবা মী মশীংনা হৌজিক ফাওবদা শিখ্রবা অপুনবা মীশিংদগী য়াম্বা হেল্লি।
- পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং-শিংগীদমক্তদি মমাগী খোল্লাং হায়বসিনা খ্বাইদগী ফরবা শিদ-হিদাকনি। অদুবু হিরমসিগী মতাংদা মীয়াম্না খঙনরমদবা ৱাফমদি নুপানসু অঙাংবু খোল্লাং পীথকপা য়াই হায়বসিনি।
- মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা জর্মনিগী সবমেরিন অমা টোইলেটতা অশোয়বা লৈবদগী মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙল্লক্তদুনা লূপখিবদগী অমুক হন্না ফাওগৎলকখিদ্রে।
- য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা সমুদ্র মাপন লৈবা ষ্টেট অসি ৱাশিংটননি। হায়রিবা ষ্টেট অসিদা লৈবা লোং বীচনা খ্বাইদগী শাংবা সমুদ্র মপাললনি।
- য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওরেগোনদা লৈবা চেঙ্গুম অমনা মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা অহিংবা পোৎশক ওইরি। হায়রিবা চেঙ্গুম অসিগী দাইমেটরগী অশাংবনা মাইল অহুম মখায়নি।

## চীঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্লি - য়াহৌরকপদা চম্প্রা মহী থকপগী কান্নবা

অয়ুক খুদিংগী মীওইবনা তূম্বা হৌগৎলগা পরম কায়দনা হেক-হেক চৎথবা থৌওং খরা-খরা লৈনৈ। কনাগুম্বনা তূম্বা হৌগৎপগী মীৎ হেক পাঙথোকপগা লাই খুরুম্মী। অতোপ্পা খরনা লমজেল চেল্লুরগা হকচাং শাজেল তৌই। কনাগুম্বনা মতম ঙাইহাক কাইথোক্লগা মেদিটেসন তৌবসু য়াওই। পুন্নমক অসি নুমিৎতুমা তৌরু-তৌরুবদা মায় পাক্লবগীদমক পূক্লিং, ৱাখল অমদি হকচাং নুংঙাইহন্নবা লৌখৎপা থৌরাংনি। মসিনা মাগী-মাগী ওইবা মরন্নাইগী ৱাফমনি। হকশেলগী ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংবা তারবদি মীপুম খুদিংমক অয়ুক তূম্বা হেক হৌগৎপগা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং গ্লাস অমদা চম্প্রা মহী শুমজিল্লগা থকপা হায়বসি তঙাই ফদনা লৌখৎতবা য়াদবা থৌরাং অমনি।



নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক য়াহৌরকপগা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা চম্প্রা মহী শুমজিল্লগা থকপনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবা খরদং খঙমিন্নসি ঃ

- চম্প্রা মহীদা য়াওবা ভিটামিন সী অমদি পোটাসিয়ম্না ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহনবগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর চাং নাইহল্লি। লোয়ননা নর্ভ অমদি ব্রেনগী মথৌ ফগৎহল্লি।
- হকচাং মনুংগী অমোৎ-অকায় পূন্নমক শেংদোক-চামথোক্তুনা খোঙ হাম্বা চাং নাইহল্লি অমসুং চাবা তুমহল্লি।



- মীওইবগী ঈদা অলকলাইন য়াওই অমসুং চাকখাউদনা এসিদ য়াওই। ঐখোয়না চিনি, শা অমসুং প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাক চাবা মতমদা হকচাং মনুংদা এসিদকী চাং ৱাংখৎলক্তুনা লায়না পোকহল্লি। অদুবু চম্প্রা মহীনা এসিদ অমদি অলকালিগী খল মান্নহন্দুনা লায়না কয়া চঙহন্দে।
- চম্প্রা মহীনা হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং শেংদোক্তুনা মপান থোকপদা য়াওহনখি। মসিনা ঈশিং মরী তেংথোকপগা লোয়ননা লিভর ফহল্লি।
- হকচাং মনুংদগী ফ্রী রেদিকেল, অমোৎ-অকায় অমদি মহীক তান্থোরক্তুনা উনশা ফজহল্লি।
- চম্প্রা মহীদা য়াওবা ভিটামিন সীনা অশোকপা থুনা ওইশিলহনবগা লোয়ননা কনেক্টিভ টিস্যু, শরূ অমদি কার্টিলেজ মপাঙ্গল কলহল্লি।
- ঐখোয়না চারি-থক্লিবা চীঞ্জাক খুদিংমক্লা হকচাং কনখৎহনবা নৎত্রগা শোন্থহনবগী মথৌ তৌই। চম্প্রা মহীদি হকচাং কনখৎহল্লি।
- দিহাইদ্রেসন তৌহন্দবগা লোয়ননা হকচাং মনুংদা অমাঙ-অতা থোরক্কদৌবদগী ঙাকথোকই।
- চম্প্রা মহীদা য়াওবা পেক্টিন ফাইবরনা হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হন্থহনবদা মতেং পাংই।
- য়ারী-য়াখোঙদা ঈ থোকপা ফহনবগা লোয়ননা নিংশা-স্বর নমথিবা ফহল্লি।

## মকোক থোংবা হোলিৱুদ এক্ট্রেসশিং

### শেলি ৱিন্টরস

আমেরিকান এক্ট্রেস শেলি ৱিন্টরস শাংলবা চহী ৫০ রোম তোঙান-তোঙানবা ফিল্ম, ষ্টেজ অমদি টেলিভিজন সেরিজ কয়াদা শক্তম লাংলম্মী। মহাক কুমজা ১৯২০ গী ওগষ্ট ১৮ দা মিসোরিগী সেন্ট লুইদা পোকখি। অপোকপা জোনাস স্ক্রিফ্ট দিজাইনরনি অমসুং অপোকপী রোজ ৱিন্টরনা শৈশকপীনি।

মহাক্লা মশাগী চহী অহুম শুরকপদা মখোয়গী ইমুং অদু ন্যুয়োর্ককী ব্রুকলিনদা হোংলকখি। অহানবদা মহাক ন্যুয়োর্ক সীটিগী “দ ন্যু স্কুল”দা মহৈ তমখি। চালর্স লেটনগী শেক্সপিয়র ক্লাসশিং য়াওরকখিবগা লোয়ননা হোলিৱুদ ষ্টদিজ ক্লবতা তম্লকখি। কুমজা ১৯৪০ গী অথেঙবা শরুক্তা মেরিলিন মোনরোগা এপার্টমেন্ট অমত্তদা পূন্না লৈমিন্নখি।

“হ্বার্ট এ ৱিমেন” (কুমজা ১৯৪৩) না মহাক্কী অহানবা ফিল্মনি। অদুবু এক্ট্রেস অমা ওইনা মমিং চৎপা হৌরকখিবদি “এ দবল লাইফ (কুমজা ১৯৪৭)” অমসুং “দ গ্রেট গেটসবি (কুমজা ১৯৪৯)” দগীনি। য়ুনিভর্সেল পিকচরসকী “এ প্লেস ইন দ সন”দা শক্তম লাংখিবগীদমক মপুন্সিগী অহানবা ওইনা একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনেসন ফংখি।

মতুং তারকপদা মহাক্লা শক্তম লাংখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা “আই এমএ কেমেরা”, “ লোলিটা”, “হার্পর”, “দ পোসিদোন এদভেঞ্চর”, “নেক্স ষ্টোপ, গ্রীনৱিচ ভিলেজ”, “হেভী”, “দ পোর্ট্রেট ওফ এ লেদি” অমসুং “গিদিওন” মমিং পনবা য়াই।



মহাক্লা অহুমলক ময়ুম পান্দুনা পোল মেয়র, ভিটোরিও গেসমেন অমদি এন্থোনি ফ্রান্সিওসগা মতম খরা খরা লৈমিন্নরম্মী।

অকোনবদা মহাক অইবগী লমদা খূৎ থাদুনা লাইরিক কয়া ফোঙলম্মী। কুমজা ২০০৫ গী ওক্টোবরদা হার্ট এটেক তৌবদগী মতম খরা বেভর্লি হিলসতা লায়েংদুনা লৈরম্লগা কুমজা ২০০৬ কী জন্যুৱারি ১৪ দা হার্ট ফেল ওইবদগী অরোইবা য়াইীপ তানখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ২১।০৭।২০১৯, নোংমাইজিং, অয়ুক্কী পুং ১০.২৪ ফাওবা ঈঙেলগী ১৯ পাল্লি, মতুংদি ২০ নি পানগনি।**

মেষ : অঙনবগী থবক-থানাদা অয়েৎপা লৈরম্লগসু লাইবক ফবা, ওইজ-ওইথক ফংবা অমদি মরুপ-মপাংগা পূন্না পাংবা থবক খুদিং মায় পাক্কনি, লমদা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : অয়াম্বা থবক্তা মায় পাকচবা, মীংচৎ হেনগৎপা, ইচং থৌবগী কান্নবা ফংবা অমদি মীনা লাকচবা ঙল্লোইদবা নুমিৎনি। হকচাংসু নুংঙাই অমদি মীয়াম্লসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজে- পূক্লিং নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : ৱাঙাঙ হৈবা অমদি অশাওবা ফাথবা ফগনি। চিন শোইরগা শেল/লন মাঙবা য়াবা লৈবনা অখঙ-অহৈ তানরগা ৱারেপ লৌবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নোল্লুক্লা চৎপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট : লাইগুরুনা চানবীবা, অচুম্বনা মায় পাকপা অমদি লৌশিং চাউবা নুমিৎনি। খাংবা কনবা অমদি থিজিনববা কনবনা কান্নবা য়াম্না ফংগদবা লৈ। হেন্না অশাদি চাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি-চরাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুনা থৌয়াম পুগে খনগনু। পাইরক্কী লৌশিংসু খরা শোল্লি অদুনা অরুবা ৱারেপতি খুদক্তা লৌগনু। থবক অমদি লৈফমগী নুংঙাইবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : লাইবক ফবা, ৱাখল য়াম্না থোকপা, ইচং থৌবৈ কান্নবা, থৌনা ফুদোকপা মতাং চাবা নুমিৎনি। অকিবা লৈতনা মাংলোমদা চংশিনবা য়াগনি-শেলসু ইতিং তিংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা : ঙাঙ-শকপদা মীংচৎ ফংগনি অমদি ইমুং-মনুং ৱাতানবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা থবক পাংগনি। থিবা হুম্বগী কান্নবা অমদি য়েৎনবদা মায় পাকপা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক : বুধি লৌশিং থোকপা ৱাৎপনা নাইতোম ৱারেপ লৌদবা ফৈ অমদি মীৱা লৌগনু-মদুনা কিবা পোকপা য়াবা লৈ। নক্লবা/মরুপ মপাংনা নরলদা য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : লাইবক ফবা, ওইজবা তানবগী থবক্তা মাই পাকপা অমদি নীংবা মপা চাবা য়াবা নুমিৎনি। অদুবু নথক থোংবনা চান্দবা, মীকোক থোংবা ৱাবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল খরদি নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : ফিংবা অমদি চিন কনবনা খৎনবা নত্রগা কাইনবা নংগনি। কল্লক য়েংথিবা য়াম্মী অদুনা ৱাঙাঙ, শাজৎ হৈয়ু। অরং-অরাক চেকশিল্লু। তুমিন লৈবনা মফরে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবগী য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্বা : হরাওবা-নুংঙাইবা, য়েক্লবনফাওবা তেংবাংবীবা নুমিৎনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগৎকনি অমদি য়েৎনরম্বা কোকচরে। লেংদবা লন ময়েং তাবগী নুংঙাইতবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

মিন : লৌশিংনা নথক থোংববু লায়না খুদুম চনবা ঙম্বা নুমিৎনি। থবক্কী লম্‌দসু হোৎনবগী কান্নবা ফংগনি অমদি নক্লবশিংনা তেংবাঙনীংবা লৈগনি। মীতোপতি থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - পাউ ইনুং নুংঙাইতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।